# নুমিৎ নীনি কেস লেপ্তুনা ৱাংখৎলকপদগী লেভেল থ্রিগী অথিংবা থল্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে



সিওল, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

সাউথ কোরিয়ানা কোভিদ-১৯ লায়চৎকী অহুমশুবা অকনবা ৱেভ থেংনরিঙৈদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা নুমিৎ নীনি কেস লেপ্তুনা ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়চৎ লাকশিন্নবগী অথিংবশিং খ্বায়দগী ৱাংবা থাক্তা হেনগৎলকপা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইননা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।

ফেব্রুৱারিদগী অহানবা ওইনা সেন্ত্রেল দিজাষ্টর এন্দ সেফটি কাউন্টরমেজর্সতা পাঙথোকপা ইমজেন্সি মীফম অমা প্রসাইদ তৌরদুনা মুননা মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা অমসুং ভাইরস লাকশিন্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎননবা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌখি। হৌজিক লায়চৎ অসি লাকশিনবা ঙমদ্রবদি সেসল দিষ্টেন্সিংগী থৌরাংশিং অহুমশুবা থাক্তা হেনগৎহন্নবা খন্নরক্কনি হায়না মহাক্না লৈবাক অদুগী মরোল অহুমগী সিষ্টেমগী মখাদা লৈরিবা খ্বায়দগী কনবা চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা মীশিং মিল্লিয়ন ৫২ গী মনুংদা তঙ্খাই অমরোম লৈরিবা গ্রেটর সিওলদা অথিংবগী থাক ২.৫ গী মখাদা লৈরি। মীওই ৫০ দগী হেন্না পুনবা থীংবগা লোয়ননা নুমিদাং পুং মাপলগী মতুংদা রেষ্টোরেন্টশিংদা কষ্টমরশিং সর্ভ তৌবা য়াদে।

হৌরকপদা কোভিদ-১৯ লায়চৎ লাকশিনবদা মায় পাকখিবা সাউথ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা অনৌবা কোরোনা ভাইরস কেস ১,০৩০ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ৪২,৭৬৬ য়ৌখি। মমাঙগী নুমিত্তা পোজিটিভ কেস ৯৬০ দিটেক্ট তৌখি।

হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা সাউথ কোরিয়াদা পুন্না মীওই ৫৮০ শিহনখ্রে। কোরিয়া দিজিস কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা কেসশিংদুগী মনুংদা ১,০০২ দি লোকেল ইনফেক্সনশিংনি।

ঐখোয়না লায়চৎ লাকশিন্নবা লৌখৎকদবা খোঙথাং লৈরক্ত্রে। কোরোনা ভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা ঐখোয়গী লৈজরিবা ভাইরস লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ পৱার অপুন্বা শীজিন্নবগী মতম লাক্লে হায়না প্রসিদেন্ট মুননা ফোঙদোকখ্রে।

লায়চৎ লাকশিন্নবগী থৌরাংশিং অহুমশুবা থাক্তা লৌখৎপা হায়বসি এসিয়াগী মরিশুবা শেলমিৎলোন খ্বায়দগী ফবা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা লোকদাউন থম্বগী ৱাফমনি। অসিগুম্বা অথিংবা চৎনরকপা মতমদা স্কুলশিং ওনলাইনদা ক্লাস তৌরক্কনি, কম্পনিশিং, ইসেন্সিএল ৱার্করশিংদমক ওফিসতা থবক শুহনগনি অমসুং মী ১০ দগী হেন্না পুনবদা অথিংবা লৈগনি।

গভর্ণমেন্টনা মথংগী চয়োল খরা অসিদা হোস্পিটালশিংদা বেদ ১০,০০০ রোম হাপচিনগনি অমসুং কোভিদ-১৯ পেসিএন্টশিংগী ক্যের লৌরিবা নর্স খরদা থা অমদা ৱোন মিল্লিয়ন ৩ (দোল্লর ২,৭৪৮) পীথোক্কনি। থৌরাং অসি লৈবাক অসিগী হোস্পিটালশিংদা মতেং পাংনবা লৌখৎপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়েমেনদা গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংনা হৌথী রেবেল ১২ হাৎখ্রে

সানা, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

য়েমেনগী খা থংবা প্রোভিন্স ধালিয়াদা হৌথী রেভেল গ্রুপকী ফাইটর ১২ হাৎখ্রে হায়না য়েমেনগী গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা ফোর্সশিংনা লাউথোকখ্রে ।

প্রো-ভগর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মিলিটরি য়ুনিটশিংনা ধালিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা হৌথীশিংনা কন্ত্রোল তৌবা সাইটশিংগী মায়োক্তা ওপরেসন অমা পাঙথোকখি। প্রো-গভর্ণমেন্ট মিলিটরি য়ুনিটশিংনা হৌথীশিংগা নোংমৈ কাপ্নখি অমসুং মফম অদুদা হৌথি রেবেল ১২ রোম শিখি। পুং কয়া চুপ্পা চথখিবা প্রো-গভর্ণমেন্ট মিলিটরি ওপরেসন অদুদা হৌথী রেবেল কয়া শোকখি হায়সু ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

হৌথি রেবেল গ্রুপকী মিলিটরি গাড়ী কয়া অমসুং খুৎলাই কয়া প্রো-গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সিজ তৌখি। ধালিয়াদা হৌথীশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদুদা প্রো-গভর্ণমেন্ট গ্রুপশিংগী লান্মী কয়া য়াম্না মীশি মীনা নংখিবগে হায়বদি চপ চানা পাউ খঙবা ঙমখিদে।

হৌখিবা থাদা ইরাননা শৌগৎলিবা হৌথী ফাইটরশিংনা য়েমেন গভর্ণমেন্টগী ফোর্সশিংগী পোজিসনশিংদা পরিং নাইনা অকনবা এটেক চথখি অমসুং ধালিয়াগী চীদাইদা লৈবা মরু ওইবা মফম কয়া পায়শিনখি।

ধালিয়াগী অৱাং অমসুং নোংচুপতা লৈরিবা মফম কয়াদা চহী মরিরোম গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং হৌথী ফাইটরশিংগী মরক্তা লেপ্তুনা লান শোক্লরকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা হৌথী মিলিস্যাশিংনা মালেম্না শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মনসৌরগী গভর্ণমেন্ট নমদুনা লোইদা থাখিবদগী য়েমেনদা সিভিল ৱার অমা থোকখ্রবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# মোরোকোগী ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংনা ইজরেলনা মহৌশাগী মরী থম্নবগী থৌরাং য়াখিদ্রে

রাবাত, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :



য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ৱাতেমদুনা দিল অমা পুরকখ্রবা তুংদা ইজরেলনা মহৌশাগী ওইবা মরী থম্নবা রাবাতনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং মোরোকোগী মরু ওইবা ইস্লমিষ্ট গ্রুপশিংনা থাংজ নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে।

কো-রুলিং পি জে দি পার্টিগী লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা ব্রাঞ্চ য়ুনিটি এন্দ রিফোর্ম মুভমেন্ট (এম য়ু আর) না ষ্টেটমেন্ট অমদা মোরোকা গভর্ণমেন্টগী খোঙথাং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা জিওনিষ্ট রেজিমনা মহৌশাগী ওইবা মরী থম্ননবা হোৎনরকপা খুদিংমক কন্দেম তৌই হায়খ্রে।

পেলিষ্টিনিয়নশিং শৌগৎলদুনা নিংথৌ মোহম্মদ তরুকশুবনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং শৌগৎপগা লোয়ননা ইজরেলনা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী লম পায়শিনবগী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখি।

দিল অদুবু শৌগৎলিবা কোলিসন গভর্ণমেন্টতা য়াওরিবা পার্টনরশিংগা মান্নদবা মওংদা পার্টিগী সিনিয়র লিদরশিংগী মরক্তা মত তিন্নদবা কয়া থোক্লকখ্রবা মতুংদা নুমিৎ নীনি লৈরগা পি জেদিনা রিয়েক্ট তৌখি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পনা ৱাতেমদুনা য়ানখিবা দিল অদুগী মরু ওইবা এলিমেন্ট অমদি মোরোকোগী সোভরন্টি নোংচুপ থংবা সহর ফাওবা য়ৌহনবগী ৱাফম য়ু এসনা শকখঙবা অসিনি।

মোরোকোনা নীংতম্বা ষ্টেট অমা লিংনবা হোৎনরকখিবা অদু অলজেরিয়ানা শৌগৎপা পোলিমারিও ফ্রন্টকা লমগী মতাংদা লিশাং শিংনা মুক্লদুনা লাকখিবনি। মোরোকোগী সোভরেন্টি খা থংবা প্রোভিন্সশিং ফাওবা য়ৌই হায়বা মরু ওইবা ৱাফম অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেস্নেল সার্কলশিংদা মোরোকোগী মফম চেৎশিনহন্নবগী অনৌবা লম্বীশিং ফাৎলে। মসিনা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তম কায়হন্দবগী মায়োক্তা লৈরিবা য়েক্লবশিংবুসু হেন্না নাইতোম তাহল্লে হায়না ইস্লামিষ্ট পার্টি অসিনা ফোঙদোকখি।

মোরোকোগী মরু ওইবা দিপ্লোমেটিক ৱারেপশিং লৌবদা নিংথৌ মোহম্মদ তরুকশুবনা অরোইবা মত পীগদবনি। লৈবাক অসিগী খ্বায়দগী চাওবা ওপোজিসন গ্রুপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অথিংবা থমখ্রবা মোরোকোগী অদল ৱাল ইহসানেনা ইরাই নুমিত্তা হায়খিবদা ইজরেলগা মহৌশাগী মরী থম্নবগী দিল অদু পালিষ্টিনিয়নশিংগী অনিংবা অপান্বগী মায়োক্তনি হায়খি।

# লোমেকরগী গাড়ীদা টার্গেট তৌদুনা বোম পোকখায়হনখিবদা ২ শিরে

কাবুল, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :



অফঘান কেপিটেল কাবুলদা নোংমাইজিং নুমিত্তা এম পি অমগী গাড়ীশিংদা টার্গেট তৌদুনা বোম অমা পোকখায়হনখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিরে অমসুং অতে অনীনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ১৫ দা লৈবা হোটেল-ঈ-পর্ৱান মনাক্তা লেন্দ ক্রুজর টাইপকী গাড়ী অমদা ষ্টীকি বোম অমা নপশিনখিবা মতুং অয়ুক পুং ৭.৫০ রোম তাবদা পোকখায়খিবনি হায়রি।

বোমগী এটেক অদুদা মীওই অনী শিখ্রে অমসুং অতে অনী অশোক অপন নংখ্রে হায়না কাবুল পুলিসকী স্পোক্সমেন ফেরদোস ফারামার্ভনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না, এম পি মোহম্মদ টাউফি ৱাহদতকী গাড়ী অদু বোম পোকখায়বদুদগী মৈ চাকখি। এটেক অদুদা লোমেকর অদু শোকখি নত্রগা শোকখিদে হায়বা খুদক্তা খঙবা ঙমখিদে।

কাবুল সিটিগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা রোকেট ১০ কাপশিল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা অতৈ মীওই অনী শোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা ইনৌ নৌবা বোমগী এটেক অদু চথুরকখিবনি।

ইন্টররিয়র এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না, রোকেটশিং অদু সিটি অসিগী লাব-ঈ-জার এরিয়াদগী কাপ্লকখিবনি। মদু হৌখিবা থা অসিদা কাবুলদা থোকখিবা অনীশুবা রোকেট এটেক্নি। হৌখিবা নবেম্বর ২১ দা সিটি অসিগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা য়ামদ্রবদা রোকেট ২৩ কাপ্তুনা এটেক তৌখিবদা মীচম ৮ শিখি হায়রি।

# কোভিদ-১৯ গী মায়োক্তা লৈবাক শিন্থুংনা টি ভি কেম্পেইন তৌখ্রে

ৱেলিংটন, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্কী মায়োক্তা মীয়াম্বু ৱাখল হেন্না তাহন্নবগী পান্দমদা ন্যু জিলেন্দনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক শিন থুংনা টি ভি কেম্পেইন অমা হৌখিবগা লোয়ননা য়ারিমখৈ চেকশিন্না লৈনবা অমসুং লাক্লিবা কুম্মৈগী ছুটি মনুংদা লু নানবা য়াওনা হকচাং নাদা য়েক্তনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা আপীল তৌখ্রে।

কোভিদ-১৯ রেসপোন্স মিনিষ্টর খৃস হেপকিননা ৱেলিংটনগী বেসিন রিজার্ভতা পাঙথোকপা ক্রিকেট মেটচ অমগী মনুংদা 'মেক সম্মর অনষ্টোপেবল' হায়বা টি ভি এদসশিংগী কেম্পেইন হৌদোকখি। খৃষ্টমাস অমসুং ছুটিগী সিজন অসি ন্যু জিলেন্দগী মীয়াম্না অমগা অমগা পুন্দুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লবা, অচৌবা ইভেন্টশিং পাঙথোক্লবা অমসুং লৈবাক শিনথুংনা চখোক চৎশিন য়াম্না তৌনবা মতমনি।

ক্রিকেট মেটচশিং য়েংবদা ওইরবসু বিচতা লৈবগী ওইরবসু নৎত্রগা ইমুং মনুংদা মরুপ মপাংশিংগা পুল্লগা চামিন থকমিন্নবগী ওইরবসু ঐখোয়না নুংঙাইরবা কালেনগী মতম অসিদা কোভিদ-১৯ না অয়েৎ অপন পীরকপা পামদে হায়না হিপকিন্সনা ফোঙদোকখি। মীয়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখত্তনা পাক শান্না চখোক চৎশিন তৌনবা য়ু এস এগী থেঙ্কসগিভিং মনুংদা অমসুং অৱাং থংবা হেমিসফেয়রদা কালেনগী মতমদা কোরোনা ভাইরস কেস ৱাংলকখি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না উরে। মদু মফম অসিদা থোকহনবা পামদে। অদুনা ঐখোয়না 'মেক সম্মর অনষ্টোপ্পেবল' দা কোভিদ-১৯ চঙদনবগী অরাইবা থবকশিং নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লবা মীয়ামগী পুক্নিং চীংশিল্লি হায়না হিপকিন্সনা ফোঙদোকখি।

ন্যু জিলেন্দদা হৌজিক মী পুনবদা অথিংবা থমদবা কোভিদ-১৯ গী এলার্ট লেভেল-১ চৎনরিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা লৈবাক অসিগী অপুনবা কোরোনা ভাইরস কেস মশিং অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মী মশিং মথংশিংনা ২,০৯৬ অমসুং ২৫ ওইখি।

# লৈঙক্লা লৌমীশিংগা ৱারী শান্নবা থোঙ হাংদুনা লৈঃ পিয়ুশ গোয়াল



*ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :*

*ফার্ম লোশিংগী মতাংদা লৈরিবা চিংনবা খুদিংমক কোক্লবা লৌমী ইচিল ইনাওশিংগা ৱারী শান্ননবা লৈঙাক্লা থোঙ পুং ২৪ হাংদুনা লৈ হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়ালনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।*

*এজেন্সিগী ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি, হন্দক্তা পুথোকখিবা লোশিং অদুনা হান্নগী সিষ্টেমদা শোকহনবা লৈতে। লোশিং অসিনা লৌমীশিংদা অনৌবা লম্বীশিং পীরি।*

*কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স এন্দ ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী মিনিষ্টর ওইরিবা গোয়লনা হায়খি, নরেন্দ্র মোদি অমদি লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা অমসুং নহারোলশিংদা থবক্কী খুদোংচাবশিং ফঙহন্নবা হোৎনরি।*

*হায়রিবশিং অসি ওইথোক্লবা লৈবাক অসিনা নৌনা শেম্বা অচৌবা সিষ্টেম তরাম্না ওক্কদবনি। লোশিং অসিনা মতম শাংনা লৈরক্লবা সিষ্টেমদা শোকহনবা লৈতে। মখোয়দা অনৌবা লম্বীশিং পীরি। ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টি ১৮ না য়ানিংদবনা কন্না হোৎনখিবা ওইরবসু ইন্দিয়াগী থবক থৌরমশিং লেপখিদে। ইন্দিয়ানা হেন্না য়াংনা চাউখৎপগী লম্বীদা চঙশিনগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।*

*রেলৱেজ কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী মিনিষ্টরসু ওইরিবা গোয়লনা হায়খি, লৈবাক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরবু থাজবগী চাং অদুক্কী মতিক ৱাংই অমদি মীপুং খুদিংমক্না মহাক মীয়ামগী, লৈবাক্কী অমসুং অত্মানিরভার ভারত ওইহন্নবগীদমক্তা কন্না হোৎনৈ হায়বসি খঙই হায়খি। লৌমীশিংগী খোঙজং অসিদা মাওইষ্ট অমসুং নক্সল এলিমেন্টশিং য়াওরক্ত্রবদি মখোয়না ফার্ম লোশিং অসি মখোয়গীদমক্তনি হায়বসি খঙগনি। মসিদসু মখোয়না চিংনবা লৈরবদি মতম পুন্নমক্তা ৱারী শান্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।*

*লৈঙাক অমসুং লৌমীশিংগী য়ুনিয়নশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নবদা মিনিষ্টর গোয়ল য়াওখিবনি। গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা ইনেক্ট তৌখিবা ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা লৌমীশিংনা দেল্লিগী বোর্দরশিংদা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবনি। মখোয়না গভর্ণমেন্টগা ৱারী রাউন্দ মঙা শান্নখ্রে অমসুং হোম মিনিষ্টর অসিত শাহনা তৌখিবা মীটিং অমদসু য়াওখি হায়রি।*

# ইন্দোনেসিয়ান পুলিসনা বালি বোম্মিংদা চেন্নবা টোপ মিলিটেন্ট ফারে

জকার্টা, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

কুমজা ২০০২ দা রিজোর্ট ঈথৎ বালিদা বোম কয়া পোকখায়হন্দুনা মীওই ২০০ হেন্না শিহনখিবা থৌদোক্তা চাউনা চেন্নরিবা অল কাইদাগা মরী লৈনবা মিলিটেন্ট গ্রুপ জেমাহ ইস্লামিয়াগী খ্বায়দগী সিনিয়র ওইবা মেম্বরশিংগী মীওই অমা ফারে হায়না ইন্দোনেসিয়ন পুলিসনা লাউথোকখ্রে হায়রি।

জেমাহ ইস্লামিয়াগী পান্দমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা ইস্লামিক কালিফেট অমা শেম্বা অসিনি। বালিদা চথুখিবা এটেক অদুগী কম্মান্দরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জুলকারনেন শগোলশেন নুমিত্তা এন্টি টেররিজম পুলিসনা ফাখি হায়না স্পোক্সমেন অহমদ রামাধাননা থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না টোপ মিলিটেন্ট অদু ফাবদা অয়েৎ অপন অমত্তা পীরকখিদে। জুলাকারনেনগী উকিল য়াওখি নত্রগা য়াওখিদে হায়বা এজেন্সিনা খঙবা ঙমখিদে।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মহাক অরিস সুমারসোনো হায়রগসু হেন্না খঙনৈ। জুলকারনেন অসি বালিগী এটেকশিং অদুদা শীজিন্নখিবা বোমশিং অদু শাবদা অমসুং কুমজা ২০০৯ দা জকার্টাদা লৈবা জে দব্লিয়ু মারিওট অমসুং রিটজ কার্লটন হোটেলশিংদা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই মাপল শিহনখিবদা চেন্নখি হায়না থাজনরিবা মীশক অমনি।

জেমা ইস্লামিয়াগী হান্নগী লিদর পারা ৱিজায়ান্টো কুমজা ২০১৯ দা ফাবা ঙমখ্রে। সিক্যুরিটি এনালিষ্ট ষ্টানিসলাউস রিয়ান্তোগী মতুং ইন্না জুলকার্নেন ফাখিবা অদুনা জেমা ইস্লামিয়াগী ওপরেসনশিং শোন্থরকপা য়াই নত্রগা মখোয় লৈরি হায়বা প্রুভ তৌনবগী থবক পায়খৎলকপা য়াই নত্রগা লমন খুমবগী খোঙথাং লৌখৎলকপা য়াই হায়খি।

# রিপব্লিক টি ভিগী সী ঈ ও ভিকাস খাঞ্চান্দনি ফাখ্রে



মুম্বাই, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

টেলিভিজন রেটিংস পোইন্ট (টি আর পি) মেনিপ্যুলেসন তৌবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা মুম্বাই পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা রিপব্লিক টি ভিগী সী ঈ ও ভিকাস খঞ্চান্দানি ফাগৎখ্রে হায়রি।

রিপব্লিক টি ভিগী এডিটর ইন চীফ অর্নাব গোস্বামিনা মুম্বাই পুলিসকী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনশিং ষ্টে তৌবীনবা বোম্বে হায় কোর্টতা হায়জখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। হৌজিক কেস অসিগা মরী লৈননা ফাবশিংগী মনুংদা খাঞ্চান্দানিনা ১৩ শুবনি।

মহাকপু ফারিবদু লোগী মায়োক্তনি হায়না পনবগা লোয়ননা অর্নাব গোস্বামিনা হায়খি। পুলিসনা পাল্লিবদি হরাসমেন্ট পীবনি। সুপ্রিম কোর্টনা থৌদোক অসিগী মতাংদা সুমোটো কেস অমা লৌখৎফম থোকই।

খোঙথাং অদুগী মতাংদা রিপব্লিক মীদিয়া নেটৱার্কনা হোলিদে বেঞ্চতা ৱাকত্তুনা নেটৱার্ক অসিগী সী ঈ ও ঙসি অয়ুক চে চাং অমত্তা য়াওদনা অমসুং ইনভেষ্টিগেসনদা মপুং ফানা কোওপরেসন পীনা পীনা ফাখ্রে হায়রি।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনসু নবেম্বর ২০ দা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌখ্রবনি। করম্বা চেন্নেলনা এদভর্টিসমেন্ট খ্বায়দগী য়াম্না ফঙগদগে হায়বা লেপ্লিবা টি আর পি রেটিংশিং লোকেল রিজনেল চেন্নেল অনী অমসুং রিপব্লিক দে য়াওনা চেন্নেল অমমমনা মেনিপ্যুলেট তৌরে হায়না হৌখিবা ওক্টোবরদা মুম্বাই পুলিসনা ফোঙদোকখ্রবনি।

# বি জে পি-য়ু পি পি এল-জি এস পি এলাইএন্সনা অনৌবা বোদোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল শেম্লগনি

গুৱাহাটি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

বি জে পিগী সপোর্টকা লোয়ননা য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি লিবরেসন (য়ু পি পি এল) না মথংগী বোরোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল (বি টি সি) শেম্লগনি।

কোক্রাজারগী এম পি নবা কুমার সারানিয়ানা লুচিংবা গনা সুরক্ষা পার্টি (জি এস পি) সু বি জে পি-য়ু পি পি এলগী এলাইএন্সতা য়াওশিনখ্রে। য়ু পি পি এলগী চীফ প্রমোদ বোরোনা বি টি সীগী অনৌবা চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর (সী ঈ এম) ওইরগনি।

বি জে পি, য়ু পি পি এল অমসুং জি এস পি এলাইএন্সনা অনৌবা কাউন্সিল শেম্লগনি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দা সোনোৱালনা নোংমাইজিং নুমিত্তা গুৱাহাটিদা লাউথোকখি। মেম্বর ৪০ লৈবা বি টি সীগী মীখল রুলিং বি পি এফনা সিট মশিং খ্বায়দগী য়াম্না ফঙবা পার্টি ওইরকখিবগা লোয়ননা পার্টি অমত্তনা কাউন্সিল শেম্বা ঙমদবগী ফীভম লাকখি। বি পি এফনা সিট ১৭ ফঙখি অমসুং য়ু পি পি এল অমসুং বি জে পিনা মথংশিংনা সিট ১২ অমসুং ৯ ফঙখি।

কোংগ্রেস অমসুং জি এম পিনা সিট অমমম ফংবা ঙমখি। চীফ মিষ্টির সোনোৱালনা মীখল মতুংগী এলাইএন্স হৌনবী মতুং ইন্না লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ু পি পি এলগী চীফ প্রমোদ বোরোনা নৌনা মীখলদা মায় পাক্লবা মেম্বরশিংনা মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্বা শর্ম্মা অমসুং পার্টিগী প্রসিদেন্ট রঞ্জিত দাস য়াওনা বি জে পিগী লুচিংবশিংগা লিলি হোটেলদা মীফম অমা পাঙথোকখি অমসুং কাউন্সিল শেম্বগী মতাংদা দিল অমা পুরকখি।

মদুগী মমাঙদা বি পি এফকী চীফ হগ্রামা মোহিলারিনা বি জে পিনা কাউন্সিল শেম্বদা মখোয়বু কৌখৎনবা তকশিনখি। অদুম ওইনমক বি জে পিনা য়ু পি পি এলগা ওইনা খুৎশম্নবা ৱারেপ লৌখি।

বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট রঞ্জিত দাসনা বি টি সী এরিয়াগী ভোটরশিং অমসুং পার্টিগী ৱার্কর লাক্ষ ৫.৪ দা থাগৎপা ফোঙদোকখি অমসুং য়ু পি পি এলনা পার্টনর ওইরগনি হায়না লাউথোকখি।

# টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা সার্জিকেল ষ্ট্রাইক চথরগনিঃ সিএম

অগর্তালা, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

ত্রিপুরাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী টেররিষ্টশিংনা ফাখিবা মীচমশিং থাদোরক্তবা তারবদি মখোয়গী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর বিপলাব কুমার দেবনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর দেবনা মখা তারদুনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা টেররিষ্টশিং অসিগী পাউ কুপ্পা ফঙলে অমসুং রেন্সমগীদমক্তা মী ফাবগী মখোয়বু ঙাকপীরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিত্তা খোৱাই দিষ্ট্রিক্টকী কলয়ানপুরদা মর্টিয়র্স মেমোরিএল প্রোগ্রাম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। প্রোগ্রাম অদু কুমজা ১৯৯৬ তা কলয়ানপুরদা টেররিষ্টশিংগী এটেক্তা শিখিবা মীওই ২৪ গী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎলদুনা পাঙথোকখিবনি। মোদি গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টানদা সর্জিকেল ষ্টাইকশিং পাঙথোকখিবগুম ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টসু করম্না সার্জিকেল ষ্টাইকশিং পাঙথোক্কদগে হায়বা খঙই। টেররিষ্টশিংনা মখোয়গী কষ্টদিদা লৈরিবা মীচমশিং অদু থাদোরক্তবা তারবদি ঐখোয়না মখোয়গী মায়োক্তা য়াম্না থুনা সর্জিকেল ষ্টাইকশিং চথরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# প্রোটেষ্ট তৌবা লাকখিবা এ এ পি লিদর কয়া ফাজিনখ্রে




ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :

ন্যু দেল্লি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (এন দি এম সী) না ফন্দ লান্না শীজিন্না থোকখিবগী মায়োক্তা নোংমাইজিং নুমিত্তা দেমোন্সত্রেসন অমা পাঙথোক্কবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী রেসিদেন্স অমসুং লেফটিনেন্ট গভর্ণরগী য়ুম তম্না লাকখিবা আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী লিদর অমসুং ৱার্কর কয়া দেল্লি পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ফাখিবা এ এ পিগী লিদরশিং অমসুং ৱার্করশিং অদুগী মনুংদা এম এল এশিং রাখাভ চাধা, অটিশি, রিতু রাজ, কুলদীপ কুমার, সঞ্জিব ঝা অমসুং অতৈ কয়া য়াওখি।

এম এল এ চাধানা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ওফিসল রেসিদেন্সকী মপান্দা ঈংনা চীক্লা দেমোন্সেত্রেসন অমা পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীয়ু হায়জখিবদা পুলিসনা য়াখিদবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি হায়রি।

নোংমাইজিংগী অয়ুক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা চৎখিবা এ এ পিগী লিদর কয়া অমসুং পার্টিগী ৱার্কর কয়া ফারগা পুলিস ষ্টেসন কয়াদা পুখি হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী রেসিদেন্সকী মপান্দা প্রোটেষ্ট তৌবগী ৱাফমদা নত্তনা লেফটিনেন্ট গভর্ণর অনিল বাইজালগী রেসিদেন্সতসু দেমোন্সত্রেসন পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। মখোয়গী দিমান্দদি এলিগেসনশিং অদুগী মতাংদা সী বি আইবু ইনভেষ্টিগেসন তৌহল্লু হায়বসিনি।

নোর্থ এম সী দিগী লুপা ক্রোর ২৫০০ গী ৱাথোক্কী মতাংদা সী বি আইগী ইনক্কাইরি অমা ওর্দর তৌহন্নবা তকশিন্নবগীদমক ঐহাক্না লেফটিনেন্ট গভর্ণর উননবা আম আদমি পার্টিগী কাউন্সিলরশিংগা লোয়ননা চৎখি। লেফটিনেন্ট গভর্ণরগা উনবগী মহুত্তা দেল্লি পুলিসনা ঐখোয়বু দিটেন তৌখি। দেল্লিগী লেফটিনেন্ট গভর্ণরবু কনানা প্রোটেক্সন পিখিবনো? করিগী মহাক্না সী বি আইগী ইনক্কাইরি অমা ওর্দর তৌবা পামদ্রিবনো হায়না অটিশিনা ট্বীটরদা ফোঙদোকখি।